# ষণগা ঙাগা পূন্না য়োকমিন্নবা

**ডো. সরাংথেম জেসমারানি**

পুখ্রিগী মপান্দা রিংবন্দ শেন্নগা ষণ লোয়দুনা ষন্থি-ষণয়ুং অমদি অরেম্বা মচিঞ্জাকশিং ঙা য়োক্লিবা পুখ্রিদা থাদদুনা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইহন্নবা শীজিন্নদুনা পূন্না ঙাগা ষণগা য়োকমিন্নবসি হান্নদগী হৌনা চৎনরক্লি। অদুবু মসিদা খরা নিংথিনা কাঙলোন চুম্না য়োকপীরগদি হেন্না শেন্দোং লৈনা য়োকপা ঙমগনি।

**ষণগা ঙাগা পূন্না য়োকমিন্নবগী কান্নবশিং :**

ক) মতম অমত্তদা ষণ অমদি ঙাদগী শেন্থোক ৱাংনা লাকপা ঙম্মী।

খ) ষণ লোয়বদা শীজিন্নরিবা ঈশিং পূন্নমক পুখ্রিদগী ইরায় লায়না শীজিন্নবা ঙমহল্লি। ঈশিংগীদমক ৱাদে।

গ) ষণগোন শেংবগী মচুম পুখ্রিদা তাশিল্লগা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইহল্লি।

ঘ) মপূং ফারবা ষণ অমনা চহী অমদা ষন্থি কেজি ৪,০০০-৫,০০০ অমদি ষণয়ুং লিটর ৩,৫০০-৪,০০০ ফাওবা পুথোকই। হায়রিবা ষন্থি-ষণয়ুংশিং অসি পুখ্রিদা থাদবা মতমদা মিনট অমদা সেন্টিমিটর ৬কী চাংদা লুপথৈ। মসিনা পুখ্রিদা লৈরিবা ঙাশিংনা ষন্থিদা য়াওরিবা চাবা য়াবা খুদিংমক চাবা ফংহনবতা নত্তনা পুখ্রি মনুংদা লৈরিবা





ঐখোয়গী মীৎনা উবা ফংদবা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইরিবা প্ল্যাস্কটোনশিংগী মশীং য়ামহনবদা চাউনা মতেং পাংই।

ঙ) ষন্থি-ষণয়ুংদা য়াওরিবা নাইট্রোজেন চাদা ১.৮১-১.১৭ ফোসফরস ০.৩৭-০.৩৯ অমদি পোটাস ১.৮-২.০ য়াওবা মরম্না ঙাগী মচিঞ্জাক ওইরিবা ফাইটোপ্লাস্কটোন অমদি জুপ্লাস্কটোনগী মশীং হেনগৎহল্লি। মরম অসিনা অতোপ্পা/তোঙানবা হার হাপ্পগী মথৌ তাদে। মসিনা ঙা চাউনবা হোৎনবদা চঙগদবা শেনফমদু চাদা ৭০গী মথক্তা হন্থহল্লি।

চ) করিগুম্বা মতমদা ষণশিংদু পুখ্রিগী অকোয়বদা পুথোক্তুনা শজিক চাহন্দুনা ষন্থি-ষণয়ুংশিংদু পুখ্রিদা কোয়রগা থাদবসু য়াই।

**ঙা য়োক্লবা পুখ্রি শেম্বা :**

ঙা য়োক্লবগী পুখ্রিসি মিটর ১.৫ - ২.৫ মুক লুনা তৌবিদুনা শুনু অমদি ষন্থি পরী অমদা কেজি ৩,৭০০গী চাংদা চাইথোকপীরবা মতুংদা নুমিৎ ১৫নি লৈরগা ঈশিং চনবীগনি মতুংদা হাপ্তা অমা লৈরগা ঙা মচাশিং সী এম ১০দগী তাদনা নৎত্রগা ১২-১৫ গ্রাম লূম্বা ঙা মচাশিং থাদবীগনি। ঙাগা ষণগা পূন্না লোয়মিন্নগদবনিনা ঙা মখল শুনা য়োকপনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। পরি অমদা ঙা মশীং অসি ৭,০০০ - ৮,০০০গী চাংদা থাদবা য়াই। অদুবু নোর্থ ইষ্টকী ওইনদি ১০,০০০ ফাওবা থাদবা য়াই হায়না ফিসরি এক্সপার্টশিংনা থম্মী। মসিদা ঙা মখল ৬ হায়বদি কটলা (২০%), সিলভর কার্প (২০%), রৌ (২০%), মীরগল (১৫%), গ্রাস কার্প (১০%) অমদি কম্মন কার্প (১৫%) অসি থাদবা য়াই। ঙা থাদবা মতমদসু জুন-সেপ্টেম্বর ফাওবগী মতমদা থাদবীরগা চহী অমদা থন্বীরগা ফাদোকপীবা য়ারে।

**ষণগোন শাবা অমদি ষণ থম্বা :**

ঙাগা ষণগা পূন্না য়োকমিন্নবদা পুখ্রিগী রিংবন্দদা ষণগোন শাবনা খ্বাইদগী ফৈ। মরমদি মসিদা ষন্থি-ষণয়ুং অমদি মচিঞ্জাক অরেম অপা খুদিংমক পুথোক-পুশিন তৌবগী লেবর চার্জ হন্থহল্লি। ষণগোন শাবা মতমদা নুংশা নিংথিনা ফংবা মফমদা ওইগদবনি। ষণগোন শাবা মতমদা লৈমায়দগী ৱাংখৎনা শাবীগনি অমদি পুখ্রিরোমদগী ষণগোন্দা ঈশিং তুংদনবা খরা ঙমথহনগনি। ষণগোন্দু নাম্থুদনবা কনক্রিট ওইনা তৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। ষণগোন মথক কুপ্পসি টিন নৎত্রগা ঈনা কুপ্পীবা য়াই।

ঐখোয়গী লমসিদা লৈরিবা ষণশিংসি ময়ায় ওইরপ্পা চাউবনিনা পরি অমগী পুখ্রিদা ষণ ৫-৬ ফাওবা থম্বীবা য়াই। অদুগা অপিকপা ষণ ওইরগনা ৮-৯ ফাওবা থম্বীবা য়াই।

**ষণগোন শাবগী পাক চাউবা :**

| | | |
|---|---|---|
| ষণ লেপফম মফম ওইগদবা | - | ১.২ x ১.২ স্কৱার মিটর/ষণ |
| শজিক চাফম | - | মরাক - ০.৬ মিটর/ষণ |
| ষন্থি-ষণয়ুং চেনবা নলা | - | লুবা - ৩০ সী এম |
| ষণনাও মচাগী কা | - | ১ x ১ স্কৱার মিটর/ষণনাও |
| হাতম থম্নবা | - | ১ x ১ স্কৱার মিটর/হাতম |

**পীজ-পীথকপা :**

| শঙ্গোম থোকপা | মফোনগী শরুক | শজিক | চরূ |
|---|---|---|---|
| ৫ | - | ৩৫ | ৩.৫ |
| ৭.৫ | ১.২ | ৩৫ | ৩.৫ |
| ১০ | ২.৪ | ৩৫ | ৩.৫ |
| ১২.৫ | ৩.৬ | ৩৫ | ৩.৫ |
| ১৫ | ৪.৮ | ৩৫ | ৩.৫ |
| ২০ | ৭ | ৩৮ | ৩.৫ |

(সোর্স : এন আই এ এন পি, বেঙ্গলোর)

মসিগী মথক্তা ঐখোয়না থুম অমদি মিনরেল, ভিটামিনসু য়াওনা পীজবীগনি।

**লায়না ঙাকথোক্লবা :**

লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা ষণশিংবু লূ-নান্না থম্বীবা মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা মতম মতমগী ওইবা টিকা কাপ্পীবা অমদি তীলগী হীদাক থাবীগনি। ●

# পাম্বীশিংদা নাইট্রোজেনগী মরুওইবা

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

নাইট্রোজেন হায়বসি পাম্বী অমনা চাওখৎলক্লবা, পাম্বীগী তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিং শেমলক্লবা অমদি অনৌবা পাম্বীগী চারাশিং পুথোকপদা তঙাইফদনা চঙবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখল অমনি। মালেমদা খ্বাইদগী মরাং কায়না ফংবা পোৎলমশিংগী মনুংদা নাইট্রোজেন হায়বসি অমা ওইজরবসু, হৌরিবা পাম্বীশিংগী মচিঞ্জাক ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লবদদি, নাইট্রোজেন ৱাৎপসিনা খ্বাইদগী তোইনা থোক্কল্লি। মরমদি মালেমগী লৈশা অমদি নুংশিৎতা য়াওরিবা নাইট্রোজেনশিং অসি ইরায় লায়না ফংবা ঙমদে।

পাম্বী অমগী লৈমায়গী মথক থংবা শরুকশিং অসিদা য়াওরিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী মচলশিংগী মনুংদা নাইট্রোজেননা চাদা ৩-৪ ফাওবা য়াওদুনা পাম্বী অমগী মচিঞ্জাক্কী মচলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না য়াওবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী মচল ওইরি।

পাম্বীশিংনা নাইট্রোজেন য়াম্না মরু ওইরিবগী মরমদি ক্লোরোফিল কৌবা পাম্বীগী মনাবু অশংবা মচু ওইহল্লিবা মচাক অসি শেম্বদা নাইট্রোজেন চংই। ক্লোরোফিলসিনা পাম্বীশিংনা নুংশা মঙালগী মতেংনা ঈশিং অমসুং কার্বোনদাইওক্সাইদ ($CO_2$) শীজিন্নরগা পাম্বীশিংগী মচিঞ্জাক ওইনবা চিনিগী শরুকশিং শুংলিবনি। অমরোমদা অমুক প্রোটিনশিংবু শাগৎনবগী মচাক ওইরিবা এমিনো এসিদ শেম্বদা নাইট্রোজেন অসি চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম অমা ওইরি।

লেংলি-পাল্লিবশিংনা তোঙান তোঙানবা থৌওংদগী ফংলিবা পাঙ্গল (ইনর্জি) শিং অসিবু লিশিন্দুনা থম্বা অমদি মওং চুম্না শীজিন্নবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা এ টি পি কৌবা পোৎচাক অসি শেম্বদা নাইট্রোজেন অসি চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম অমনি।

মথক্তা পল্লিবা অসিখক নত্তনা পাম্বী অমগী মশাদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা পোৎচাকশিং খুদম ওইনা Nucleotides, Phosphatides, Alkaloids, Enzymes, Hormones, Vitamis নচিংবদসু নাইট্রোজেন অসি য়াওরি।

নাইট্রোজেননা পাম্বীশিংবু চাওখৎহনবা খক নত্তনা ঐখোয়গী চিঞ্জাক্কী মচলশিং অসিদা প্রোটিন য়াওবগী চাং ৱাংখৎহল্লি। শা-ষণগী শজিক অমসুং অশংবা মনা-মশিংশিংবুসু তগৎ-তগৎ তেকপগা লোয়ননা থোৎতোকহল্লি।

পাম্বীগী মরু ওইবা অতোপ্পা মচিঞ্জাক ওইরিবা Phosphorus অমসুং Potassium শিং পাম্বীনা শীজিন্নবদসু নাইট্রোজেননা মতেং পাংই।

পাম্বীশিংনা নাইট্রোজেনগী কান্নবা হেন্না ফংহন্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং:-


- ঐখোয়না পাম্বীশিংদা নাইট্রোজেন য়াওবা হার হাপ্পীবা মতমদা পাম্বীনা য়াম্না নৌরিঙৈ অমদি লোকপা য়াবা মতম য়ৌরক্লবা মতমদা নাইট্রোজেন য়াম্না হেন্না হাপ্পীরোইদবনি। পাম্বীনা মরূ-মরা নিংথিনা শেম্বা লোইরবা মতম অমদি পাম্বীগী মনা অদু মপূং ফানা পাক্লবা মতমদা নাইট্রোজেন য়াওবা হার হাপ্পীগদবনি। নাইট্রোজেনশিং অদু পাম্বীনা মপূং ফানা শীজিন্নবা ঙমই।

- কা হেন্না য়ৈশিনবা লৈবাক্তা নুংশিৎ অমদি ঈশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা ঙমদে। মরম অদুনা নাইট্রোজেন য়াওবা হারগী কান্নবা মতিক চানা ফংনবগীদমক লৌফম/পাম্বীগী মখোঙ অদু হোম হোম লাওহনবা তঙাইফদে।

- শা-ঙা, নাপী-শিংবীদা পথ্‌-পুমথরক্লগা ওইবা পাম্বীগী হারশিংনা পাম্বীশিংদা মচিঞ্জাক পীবখক নত্তনা লৌফম অদুদা লৈবা মীৎনা উবদি ঙমদবা কান্নরবা হীংকুপ (মাইক্রোওর্গানিজম) শিংগী মশীং হেনগৎহল্লি। লোয়ন-লোয়ননা লৈবাক লৈশা অদু ফ্রোং-ফ্রোং লাওবগা লোয়ননা ঈনিল কুইনা ফাদুনা থম্বদা মতেং পাংই। মরম ময়াম অসিনা মরম ওইদুনা হাপ্লিবা নাইট্রোজেন য়াওবা হারশিং অদু পাম্বীনা নিংথিনা শীজিন্নবা ঙমই।

- কা হেন্না কংবা মফমদা পাম্বীনা নাইট্রোজেনশিং শীজিন্নজবা ঙমদে। মরম অদুনা লৌফম অদু মথৌ তাবা ঈনিলগী চাং ফংহনগদবনি।

- অতোপ্পা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং লৌফম অদুদা কা হেন্না ৱাংলবসু নাইট্রোজেন অসি পাম্বীনা নিংথিনা শীজিন্নজবা ঙমদে। মরম অদুনা তোঙান তোঙানবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসি খল অমদা হাপ্পীগদবনি।




- ঐখোয়না হাপ্লিবা নাইট্রোজেনশিং অসি পাম্বী মখল খেন্নবগী মতুংইন্না মখোয়না শীজিন্নবগী চাংসু খেন্নে। মরম অদুনা হাপ্লিবা নাইট্রোজেনগী শরুক অদুগী কান্নবা চপ চানা লৌনবগীদমক নাইট্রোজেন নিংথিনা শীজিন্নবা ঙম্বা পাম্বী মখলশিং খনবীগদবনি নৎত্রগা নাইট্রোজেনগী চাং হন্থনা চাইবীগদবনি।

অসুম্না তোঙান তোঙানবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী মচলশিং অসিগী শীজিন্নফম মুন্না খঙদোকপীগদবনি অমদি মখোয়গী কান্নবা নিংথিনা ফংগদবা থৌওংশিং পায়খৎপীদুনা হাপলিবা হারশিং অদুগী কান্নবা চপ চানা লৌনবা হোৎনবীগদবনি। ●

## ইশিখাদা নুমীৎ ৩০চুপ্পা পাঙথোক্কদবা দিটৌসিফিকেসন কেম্প হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : শকউদবা তমথিরবা ভাইরস অমনা কোভিদ-১৯গী শক্লোন লৌদুনা লান্দারক্তুনা মালেম শিনবা থুংনা খম থেংনা ৱাহনবগা লোয়ননা অসি-অনা কয়াসু থোকহল্লে। চৈথেং অসি লমদম অসিদসু ফংলে। অসিগুম্লবা ৱারবা মতম অসিদা কম্যুনিটি রেসপোন্স ওন কোভিদ (ক্রোক) মণিপুরনা শিন্দুনা অনীরকশুবা ওইনা সেল্টর হোম কম দিটৌক্সিফিকেসন কেম্প পাঙথোক্তুনা দ্রগ য়ুজরশিংবু অচুম্বা লম্বী অমদা পুরক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ লমদম অসিদা পাকশন্না শন্দোরক্তনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি হায়না খুন্দ্রাকপম এসীগী মনুংচন্না লৈবা ইশিখাদা লৈবা পুন্সি রিহেব সেন্টরদা ক্রোকনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা নুমীৎ ৩০নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা সেল্টর হোম কম দিটৌক্সিফিকেসন কেম্প হৌদোকপগী থৌরম অমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইট কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)গী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মণিনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা সোসল ৱেলফ্যর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ঙাঙোম উট্টমনা হায়খি লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা ক্রোকনা শিন্দুনা লমদম অসিদা লৈবা দ্রগ য়ুজরশিংবু মফম চাবা রিহেব সেন্টরদা থম্নবা হোৎনবা অসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। লোয়ননা রিহেব সেন্টর অসিদা লৈগদৌরিবা মীওইশিংনা দ্রগ শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোক্তুনা মায়পাকপা পুন্সিগী লম্বীদা চৎপা ঙম্নবা হোৎনবিয়ু। লমদম অসিদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং হাংদোরকপদা ট্রান্সজেন্দরশিংগীসু তোঙানবা ক্বারন্টিন সেন্টর অমা হাংদোকপগী মথৌ তারকপদগী ট্রান্সজেন্দরশিংগী তোঙানবা ক্বারন্টিন সেন্টর অমা হাংদোকখ্রবা মতুং দ্রগ য়ুজরশিংগী তোঙানবা ক্বারন্টিন সেন্টর মন্ত্রিপুক্রিদা লৈবা ট্রিপল আই টিদা হাংদোকখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা রিহেব সেন্টর অসিদা লৈগদৌরিবা দ্রগ য়ুজরশিংনা দ্রগ শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোক্তুনা অচুম্বা অফবা লম্বীদা চৎপা ঙম্লবদি মহাক্কী মায়কৈদগী এৱার্দ অমসু শোয়দনা পীগনি হায়না থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ক্রোকনা শিন্দুনা পাঙথোকপা অসিগুম্লবা দ্রগ য়ুজরশিংগীদমক অফবা লম্বী অমা পুথোকরপা অসিদা রিহেব সেন্টর অসিদা লৈগদৌরিবা দ্রগ য়ুজরশিংনসু মখোয়গী থৌদাংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা লান্না চৎলুরবা পুন্সি লম্বী অদুবু অমুক হন্না চুমথোক্লবা হোৎনবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি। ঙসি নৌনা হৌদোকখিবা কেম্প অদুদা টি ঐস লোকেশ্বরনা চেং বোরা ৫, হৱাই বোরা অমা অমদি মাক্স অমসুং হেন্দ সেনিটাইজরসু পীরমখি হায়রি।

থৌরম অদুগী মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা ক্রোককী কনভিনর আর কে নলিনিকান্তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী রিহেব সেন্টর ২২ অমদি প্রাইভেট রিহেব সেন্টর ৫৫ রোমদা লৈরিবা রিহেব সেন্টরশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসি লৈরিবা মখেদি অনৌবা দ্রগ য়ুজর এদমিসন তৌদনবা লৈঙাক্কী অমদি হ্যুমেন রাইট কম্মিসননা চেরোল অমা থোকপীবগী তঙাইফদবা লৈ। মরমদি করিগুম্বা অনৌবা দ্রগ য়ুজর অদুদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই ওইরম্লগদি হান্নদগী রিহেব সেন্টরদা লৈরিবা দ্রগ য়ুজরশিংদা লায়না অসিনা নারকপা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা হায় ঙসি নৌনা হাংদোক্লিবা সেল্টর হোম অসিদসু শুপ্নগী মীওই ২৫ খক থমগনি। লৈবাক অসিদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক্না য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবিবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

## পুলিসনা মীওই ৫৪১ রোম দিটেন তৌদুনা লুপা ৬০,৩৫০ ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : মালেমদা পাক শন্না শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লাকশিন্ননবা থল্লিবা লোকদাউন অমদি কার্ফিয়ু থুগাইদুনা লাকপা মীওই ৫৪১ অমদি গাড়ি কয়া দিটেন তৌদুনা ফাইন ওইনা লুপা ৬০,৩৫০ রোম খোমগৎখ্রে। লম্বীদা মাস্ক উপ্তুবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মীওই ৫৪১ অমদি গাড়ী ৫৪৫ রোম য়াওনা দিটেন তৌখি। মখোয়শিং অদু অমুক হন্না তৌনদবা মরী লৈনবা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্লগা লুপা ৬০,৩৫০ রোম ফাইন থিহনখ্রে হায়রি।

## অপ কমিং হেরো ৱাটসএপ গ্রুপনা তেন্থা ক্বারন্টিন সেন্টরদা অয়ুক্কী চাকলেন কৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : লৈবাক পুম্বা লোকদাউন তৌখিবনা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরম্বদগী হল্লক্তুনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবা মণিপুরী ইচিন-ইনাওশিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা অপ কমিং হেরো হায়বা ৱাটসএপ গ্রুপ অমনা ৱাংজিং এ সীগী মনুংচন্না লৈবা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর তেন্থাদা হাংলিবা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা অয়ুক্কী চাকলেন অমা কৎখ্রে হায়রি।

চাকলেন কৎপগী থৌরম অদুদা ৱাটসঅপ গ্রুপ অসিগী এদমিন ওইরিবা প্রটাপ লাইমুজমনা ফোঙদোকখিবদা মপান্দগী লাক্লিবা ইচিল-ইনাউশিংবু পুক্লিং থৌগৎপা অমদি থৌনা হাপ্পা ওইনা চাকলেন অসি শিনখিবনি। লোয়ননা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না ইশামক্কী য়ূমমক্লি খন্দুনা ইচিল-ইনাউ ঙাক্তনি হায়বগী ৱাখল্লোলদা পূন্না লৈমিন্নবা আপিলসু তৌখি। লোয়ননা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ক্বারন্টিন সেন্টর অদুগী অকোয়বদা উ চারা কয়াসু থাখি হায়রি।

অমরোমদা, তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদসু লন্নাই মীওই, ওর্গনাইজেসন য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী তেংবাংগী থবক লেপ্তুনা চত্থনরি।

/ ওজা ABDUL HAK কা ঙসিমক তানবীয়ু

পাইলসনা য়াম্না কন্না নাদুনা ঐগী হকচাংদা চিকপা-নাবা, অমাংথোঙদা চেকখাইবা অমদি ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, অমাংথোঙ মপান্দা পোম্বা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থবা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, পুকচেপ নাবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, ঙকশম মরী নাবা, ফম্বী শোনবা, লেংজুম নাবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ওজা কবিরাজ অবদুল হককী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী মপুগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা অবদুল হক Contact No. 8794429681, 8014623756পু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

**লায়েংফম :-**

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5pm)

থাগৎচরিবা : Th. Iboyaima Sangakpham

HL-P/6782/8

ONLINE CLASSES

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-P/7003/21/5-21/6

/ Wallet Lost

I have lost my Wallet containing Service ID Card bearing No. 062K304 and Smart Card of Vehicle bearing Registration No. MN01A5813 issued by DTO, Imphal West on the way between Wangoi and Sekmai on 07/06/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Laishram Yumjao
Thiyam Leishangkhong Laishram Leikai
# 6909103730

HL-P/6795/8